# য়াম্না মরু ওইবা ন্যুক্লিয়রগী য়ান-ৱারোল অমা মতম লোইখিবগা লোয়ননা য়ু এস অমসুং রুশিয়া অনী খূৎলায় লমজেল তান্নরক্কদৌরিব্রা?

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

য়ু এস অমসুং রুশিয়া অনীনা পূন্না খূৎয়েক পীমিন্নবা, লানগী খূৎলায় কন্ট্রোল তৌবগী য়াম্না মরু ওইবা অমসুং ইকোন কোনবা য়ান-ৱারোল অমা ফেব্রুৱারী ৫দা মতম লোইখিবগা লোয়ননা অকনবা লাঞ্জাও কয়া থোক্লবগী চাং হেনগৎলক্লিবা মাশেলম অসিদা খ্বাইদগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা ন্যুক্লিয়র পৱার পায়বা লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা নৌহৌননা খূৎলায়-লমজেল তান্নরকপা য়াবগী অকিবা অমা লৈরক্লি।

কুমজা ২০১১দা খূৎয়েক পীমিন্নখিবা Strategic Arms Treaty নৎত্রগা New START হায়না খঙনবা য়ান-ৱারোল অসিগী মতুংইন্না রুশিয়া অমসুং য়ু এসকী ন্যুক্লিয়র খূৎলায় মশীং অসি অকক্লবা চাং অমদা থম্লে অমদি মশীং হেন্না থন্মী-থমদে হায়বদু য়েংশিনবা য়াবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ঈ-পাউ পীথোক-পীশিন তৌনৈ। অদুবু হায়রিবা ত্রিটি অসি মতম লোইখিবদগী কুমজা ১৯৮০গী মতমদা থোকখিবা কোল্ড ৱার অদুগী মতুংদা ইহান হানবা ওইনা মোস্কো অমসুং ৱাশিংটন অনীগী মরক্তা মখোয়না পৈশিন্দুনা থম্নরিবা লানগী খূৎলায়-লমজেল তান্নরকপা য়ারি।

জেনেভাদা লৈবা য়ুনাইটেদ নেশন্স ইন্সটিট্যুট ফোর দিসআর্মামেন্ট রিছর্সকী সিনিয়র রিছর্সর পাভেল পোদভিগনা, অসিগুম্বা য়ান-ৱারোলগী মতম লোইখিবা হায়বসি 'মালেম পূম্বগী ওইনা মিপাইনীংঙাইনি অমসুং মসিনা লানগী খূৎলায় নারোন্দা পৈশিন্নরক্তুনা পোলিটিকল ওইবা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লক্কনি' হায়রি। START কী মপুন্সি অসি, য়ুক্রেনদা শোক্লরিবা লান অসিগী মরমদগী রুশিয়া অমসুং য়ুরোপ অনীগী মরক্তা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওং অমা ওইনা য়াম্না কন্না উংখৎনরকপা অমদি য়ু এসকা লোয়ননা চৎমিন্নরিবা খোঙবু-লৈবাকশিংনা NATO মিলিটরি এল্লাইন্সতগী মচোই মচোই তাবা হৌরকপা মতাং অমদা লোইখিবনি। অমরোমদনা চাইনাগী লাল্লোংদা মশাগী লান্মীশিংবু মফম চানা চানা চাইথোক্তুনা থম্বগী চাং ৱাংখৎলক্লি অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংনা মশা মশাবু মপাঙ্গল কনবা লৈবাকশিংগী লেপ্পা লৈত্রবা খুদুম চনশিন্নবা হোৎনবা ইথিলদগী ঙাকথোকচনবগীদমক্তা ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং পায়বা ঙম্নবা হোৎনরক্লি।

ত্রিটি অসি অশেংবদি কুমজা ২০২১দা মপূন্সি লোইগদবা ওইরবসু, নাকল অনীমক্না চহী মঙা মখা তানা শাংদোকপা হায়না য়ানবা পুরকখি, অদুম ওইনমক য়ুক্রেনদা পাক্তক্লনা লান্দাখিবদগী য়ু এসকা মুক্লবা হেনগৎলক্তুনা রুশিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিভির পুটিননা কুমজা ২০২৩দা হৌনবী মতুং ইন্না য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্লা চৎলম্বা অদু তোকথোক্লগা পূন্না ইন্সপেক্সন তৌমিন্নবা অমসুং ঈ-পাউ ফাওনবগী থবক লেপখি। ৱাফম অসি ওইদুনসু মহাক্লা, য়ান-ৱারোল অসিদা য়াওরিবা, নাকল অনীমক্না ষ্ট্রেটেজিক ৱারহেদ ১,৫৫০দগী হেন্না থম্নদবা হায়বা ৱাফম অসিবুদি ঙাক্লা চৎকনি হায়না ৱাশকখি।

ফেদরেশন ওফ আমেরিকান সাইন্টিষ্টকী ন্যুক্লিয়র ইনফোর্মেশন প্রোজেক্টতা সিনিয়র রিছর্স এসোসিএট অমা ওইনা লৈরিবা মেক্কেঞ্জি নাইট-বোইলনা হায়, "হৌজিক খুদোংথীনীংঙাই ওইরিবা অসি লোগী অথিংবা অমসুং চেক তৌনবা পান্বেশিং অদু লৈত্রবা মতমদা লৈবাক অনীমক অসিনা মহে-মহে তৌরমগদ্রা হায়না অকিবা পোক্লবদগী হান্নগুম্না থৌরাং তৌদুনা ৱারহেদ চা কয়ামরুম মখোয়না শীজিন্নরিবা ফোর্সশিংদা থমজিল্লক্কদ্রা হায়বসিনি।" য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রুশিয়া অনীমক্কী মফমদা মখোয়না শীজিন্নরিবা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিং অদু য়াম্না থুনা মশীং হেনগৎহনবা ঙম্বগী অচৌবা মতিক-মঙম লৈ হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বরদা পুটিননা, করিগুম্বা য়ু এসনসু চপ মান্ননা তৌরকপা তারবদি ত্রিটি অসিগী মতম লোইরবা মতুংদা মসিদা য়াওরিবা য়ান-ৱারোলশিং অদু মহাক্লা মখা তানা চহী অমা ঙাক্লা চৎনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু ৱাফম অসিদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ডোনাল্ড ট্রম্পনা ওফিশল ওইনা পাউখুম পীখিদে। হ্বাইট হাউসকী ওফিশল অমনা, ন্যুক্লিয়রগী খূৎলায়শিংনা কন্ট্রোল তৌবগী মতাং অসিদা ট্রম্পনা মরন্নাইগী ওইবা ৱারেপ অমা লৌগনি অমসুং মশাগী অপাম্বা মতমদা ফোঙদোক্লিংবা ৱাফম ফোঙদোক্কনি হায়খি। প্রসিদেন্ট অসিনা ন্যুক্লিয়রগী খূৎলায়শিং পোকহনবা অকিবশিং অদুগী মরমদা য়াম্না তোয়না ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোক্লি অমসুং খূৎলায়শিংবু কন্ট্রোল তৌনবা ৱারী শানবদা মহাক্লা চাইনাবুসু য়াওহনবা পাম্মী হায়বসি উৎখ্রে হায়নসু ওফিশল অসিনা মখা তাখি।

অদুম ওইনমক, চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মচিন চৎপা মীশক অমা ওইরিবা লিন জি য়াননা ফেব্রুৱারী ৩দা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা, "চাইনাদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়রগী মতিক-মঙম অসি য়ু এসকী থাক অদুগা শুকমান মান্নদে। মরম অসিনা অসিগুম্বা মতাং অসিদা চাইনাবু ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকপগী ৱারী শানবদা শরুক য়াউ হায়বসি চুমসু চুমদে, অদুগা মরমসু চাদে" হায়খি। START কী ৱাফমশিংবু মখা তানা চৎনহন্নবা রুশিয়াগী 'কন্সট্রক্টিভ' ওইবা প্রোপোজেলদা য়ু এসনা য়ানীংগনি হায়না চাইনানা খল্লি অমসুং "মালেমগী থোং মান্নবা চেকশিন থৌরাংদা চেৎনা থাজৈ" হায়না মচিন চৎপা মীওই অসিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মোস্কোগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ইকুই কুইদনা থোকখিবা চেরোল অমদা, ঙসিদি রুশিয়ানা লৈবাক অনীমক অসি মখা তানা "ত্রিটি অসিদা য়াওরিবা করিগুম্বা মখল অমত্তগী পাঙথোকফম থোকপা থৌদাং নৎত্রগা অমত্তা ওইনা লেপ্লখিবা ৱারেপশিংগী মখা পোন্দ্রে" হায়না লৌরে হায়রি। অদুম ওইনমক মোস্কোনা হৌজিকসু, "লানগী খূৎলায় কন্ট্রোল তৌবগী হীরম অসিদা য়ানবা অমা মপূং ফানা পুরক্লবা পোলিটিকল অমসুং দিপ্লোমেসিগী পান্বেশিং অদু শীজিন্নবগীদমক্তা থোঙ লাওনা হাংলি" হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তাখি।

মোস্কোগী থবক-থৌওংশিংবু অকক্লবা চাং অমদা থম্নবা হোৎনবা তৌদনা পুটিনগী প্রোপোজেল অসিদা অয়াবা পীরুরবদি য়ু এসকী মতিক-মঙমদা অকায়বা লাক্কনি হায়না রিপব্লিকান লোমেকর খরনা ট্রম্পকী মফমদা লন্নাই ওইনা তকশিনবগী ৱাফম অমসু লৈরি। পনবা য়াবদি, ত্রিটি অসিনা কন্ট্রোল তৌরিবা অসি নাকল অনীমক্না পায়নরিবা টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র ৱেপনশিং অদু নত্তে, ইচম চম্বা ষ্ট্রেটেজিক ৱেপননিশং অদু খক্তনি। কুমজা ২০২২ লোইল্লিকপদা য়ুক্রেনদা শীজিন্নখিবা শোর্ট-রেঞ্জ অমসুং লাৱর-য়িল্ড ৱেপনশিং অদু রুশিয়ানা মশীং হেন্না পুথোক্লবা হোৎনরকপা য়াবগী অকিবা অমা লৈ হায়না হান্নগী সী আই এ দিরেক্টর বীল বর্নসনা হায়রি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ষ্ট্রেটেজিক কম্মান্দদা কম্মান্দর ওইরম্বা, থবক্তগী পোত্থারবা এদমিরেল চার্লস এ রিচার্দনা সিনেটকী হিয়ারিং অমদা লোমেকরশিংদা হায়, "New Start Treaty অসিবু চুম্নগী চহী অমখক শাংদোকহনবখক্তংনা রুশিয়াবু ঐখোয়দা মসিনা অথিংবা থল্লিবা অসিগুম্না থিংবা তৌদে" অমসুং করিগুম্বা শাংদোক্লুবা তারবদি, চাইনানা লেপ্পা লৈতনা লানগী খূৎলায় পৈশিন্দুনা থম্বগী শীংনবা অসিগা মায়োক্লনবা হোৎনবদা য়ু এসপু অথিংবা পীগনি।

START ত্রিটিগী মকোক থোংবা য়ু এসকী নেগোসিয়েটর ওইখিবা, ওবামা এদমিনিষ্ট্রেশনগী হান্নগী অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট আর্মস কন্ট্রোল, রোজ গোট্টেমোল্লরনা, "ঐখোয়না চাইনাগী অকিবা থেংননবা মখা তানা থৌরাং তৌনবগীদমক্তা য়ামদ্রবদা চহী অমা শাংদোকহনবনা ফৈ" হায়রি। চাইনানা রুশিয়া অমসুং য়ু এসকা লমজেল তান্নদুনা মশাগী ন্যুক্লিয়র ফোর্সশিংবু অকনবা মওংদা শেমগৎলক্লি। চাইনানা পায়খৎলিবা মিলিটরি দিভেলপমেন্টশিংগী মতাংদা পেন্টাগোননা কুমজা ২০২৫দা কোংগ্রেসতা পুথোকপা চহীগী রিপোর্টতা, বৈজিংনা য়ু এসকা কুমজা ২০২৭ ফাওবগী মনুংদা "ষ্ট্রেটেজিক কাউন্টরবেলান্স" হায়বদি খূৎশু-খূৎলায়গী মপাঙ্গল চপ মান্নহনবা হায়বা পান্দম অসি ফংবা ঙম্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা ন্যুক্লিয়র পাকথোক-চাউথোকহনবগী থবক লেপ্পা লৈনা চথ্থি হায়না ফোঙদোকখি। পিপল'স লিবরেশন আর্মিনা চৎলিবা চহী তরা অসি হৌরকপদা লৈরম্বা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ ২০০দগী কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা ১,০০০দা হেনগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। বৈজিংনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিংবু হান্না শীজিন্নবা হৌদবা হায়বা পোলিসি অসিদা লেপ্পা তারবসু, চাইনানা নাকল অনী নৎত্রগা লৈবাক ময়াম ন্যুক্লিয়রগী খুদোংথীবা হন্থহন্নবা ৱারী ৱাতাই শাননীংবগী অপাম্বা উৎপদি তৌদ্রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লানগী খূৎলায়শিংগী মশীং হেনগৎহন্দ্রবদি রুশিয়াসু খূৎলায় পৈশিন্দুনা থম্বগী থবক তোক্লিংবগী অপাম্বা অমা উৎলকপা য়াই হায়না মোস্কোদা লৈবা সেন্টর ফোর ইন্টরনেশনল সিক্যুরিটিগী ইন্সটিট্যুট ওফ ৱর্ল্ড ইকোনোমি এন্দ ইন্টরনেশনল রিলেশন্সদা রিছর্স ফেল্লো ওইবা দিমিত্রি ষ্টেফানোভিচনা হায়রি। অদুবু ন্যুক্লিয়র পৱারশিংগী মরক্তা ঙাক্লা চৎনগদবা এগ্রীমেন্টশিং অসি লৈত্রবদি মদুনা খূৎলায় মশীং হেনগৎলক্লবা য়ূম্ফম অমা ওইগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরক্লি। রুশিয়া অমসুং য়ু এসকী খূৎলায় মশীং হেনগৎহনবদা অথিংবা লৈতবা ন্যুক্লিয়রগী মতম অমা ওইরকপদা য়ু কে, ফ্রান্স, নোর্থ কোরিয়া অমসুং পাকিষ্টাননচিংবা লৈবাকশিংনা মশা মশাগী লানগী খূৎলায়শিংগী মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনরক্কনি হায়না ফেদরেশন ওফ আমেরিকান সাইন্টিষ্টকী নাইট-বোইলনা হায়রি।

পুটিননা হৌখিবা চহী খরা অসিদা, হৌজিক লৈরিবা দিফেন্সকী সিষ্টমশিং অসিবু নমখায়বা ঙম্বা অনৌবা লানগী খূৎলায় কয়ামরুম রুসিয়াদা শারে হায়না মখৌ পোংলি। হায়রিবা খূৎলায়শিং অসিগী মনুংদা ন্যুক্লিয়র পৱার্দ বুরেভেষ্টনিক ক্রুইজ মিসাইল অমসুং পোশৈদোন তোর্পেদো দ্রোন, লোয়ননা মখোলগী খোঙজেলদগী শরুক ১০ হেন্না য়াঙনা পাইবা ঙম্বা কিনঝাল হায়পর্সোনিক বেল্লিষ্টিক মিসাইল অসিনচিংবসু য়াওরি। এটোমিক ৱারহেদশিং পুবা ঙম্বা অমসুং কিলোমিটর ৫,০০০ (মাইল ৩,১০০) শান্না কাপ্পা য়াবা, য়ুরোপকী অয়াম্বা শরুক অমদি য়ু এসকী ৱেষ্ট কোষ্ট য়ৌবা ঙম্বা ওরেস্নিক ইন্টরমেদিয়েট - রেঞ্জ বেল্লিষ্টিক মিসাইল অসিসু রুশিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবদা শীজিন্নখি।

মোস্কোনা ন্যুক্লিয়রগী মঙম চেনবা পোশৈদোন অমসুং বুরেভেষ্টনিক অনী অসিগী চাংয়েং পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ট্রম্পনা "চপ মান্নবা মওংদা" এটোমিক টেষ্টশিং অমুক হন্না পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না কিহনখি। মদুনা মরম ওইদুনা পুটিননা মহাক্কী ওফিশলশিংগী মফমদা ৱাশিংটননা পাল্লিবশিং অদুগী অতৈ অহেনবা ঈ-পাউ খোমজিন্নবা অমসুং "ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং চাংয়েং তৌগদবা মতম অদু খঙদোক্লবা" ওর্দর তৌখি।

য়ু এসকী ইকোন কোনবা ন্যুক্লিয়র বোম পোকখায়হনবগী চাংয়েং অদু কুমজা ১৯৯২দা পাঙথোকখিবনি। অদুবু লৈবাক অসিনা দেলিভরি সিষ্টমশিং চাংয়েং তৌবগী থবক্তি লেপ্তুনা চথ্থি। রুশিয়ানা কুমজা ১৯৯০দা ইফোং ফোংনা ন্যুক্লিয়র পোকখায়হনখি, অদুগা চাইনানা কুমজা ১৯৯৬তা মায় পাক্লা চাংয়েং পাঙথোকখি।

অনৌবা এগ্রীমেন্ট অমা পুরকপা তারবদি, নোর্থ এটলান্টিক ত্রিটি ওর্গনাইজেশন শনে দাক্লকপা, য়ু এসকী গ্লোবল মিসাইল দিফেন্স সিষ্টম অমসুং মীদিয়ম অমদি শোর্ট রেঞ্জ মিসাইল চাইথোকপা হায়রিবা ইস্যুশিং অসিসু কোনশিনগদবনি হায়না রুশিয়াগী ওফিশলশিংনা দিমান্দ তৌরি।

য়ুক্রেনদা শোক্লরিবা লান অসি লোইশিন্নবগীদমক্তা য়ানবা অমা লৈরবদি "মদুনা রুশিয়ানশিংগা খূৎলায় মশীং হেন্না পৈশিন্দুনা থম্নদনবা পাক-চাউনা ৱারী শানবগী লম্বেল অমা ফাৎলবা য়াই" হায়না কার্নেজি ইন্দোমেন্ট ফোর ইন্টরনেশনল পীসকী ন্যুক্লিয়র পোলিসি প্রোগ্রামদা ষ্টেন্টন সিনিয়র ফেল্লো ওইরিবা নিক্কিট পান্দানা হায়রি। ●

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্লা মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (৬)

- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -

ময়াংগীদি মরোলনিনা তম্লুবগী মথৌ লৈখিদ্রে। ব্যাকরননচিংবা শাস্ত্র তম্লুববু ময়াং মরোল শেংননবনি হায়না খঙবীগনি। ময়াংগী ব্যাকরন লিশীংনা মীতৈলোল শেংগদবা করিসু মথৌ লৈতে। ময়াং লাইরিক তমজরুবদি পুকচাক্কী ইশা চন্নবা তমজরুবনি। চয়োল তরেৎনা মীতৈগী মশাগা শাগোন্নরিঙৈদা, নোংমাইজিং চীংনা লৈরিঙৈদা, লোক্তাক ইবেম্মনা ফুনদ্রিঙৈদা মীতৈগী হৌফমবু করি হায়না কাউজরুগনি। মখোয়সিনা মুৎত্রিবা মখৈ মীতৈগী হৌফম পুয়াবু মীতৈগা শাগোন্ননা লৈরি হায়না খঙগনি। মখোয়সিনা লৈরিবমখৈ মীতৈগী লাইরিক লেংবগী অরোইবা নাইবা নত্তে। ওই ওইদে হায়বা ইপা ইপুনা চৎনরম্বা লাইৱানচিংবা পূম্নমক্তা য়েংবীয়ু। শেমজিন্দুনা শাজিন্দুনা ওইদববু ওইহনবা য়াদে। কোন্থৌজম লাইরেম্বী, তাইবংজমগী লাইরেম্বী হায়দুনা হায়রিবা ময়ামসিবু চীংথংখোম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা ওইরকপা নত্তে। মীতৈনা হৌরকপদগী খঙনরক্লবা লাইরেম্বীনি। লাইনিংথৌ সোরারেননা হাওনুবী লৌখি হায়বা তাদে, ময়াং চনু লৌখি হায়বা তাদে, বামোন নুপী লৌখি হায়বা তাদে। লাইনিংথৌ সোরারেননা মীতৈগা চৎনরল্লিবা লমচৎসিনসু মীতৈগী হৌনফম অসুমক খঙনরিবনি। চীংমীনা শেৎচরিবা মতৌসিবু মীতৈ ঐখোয়গী মচিনঙৈগী লমচৎ মওংনি। মীতৈনা অসুম্না শেৎ চারিঙৈ মতমদুদি চীংমী পূম্নমক্তি ফিরোল শেৎ চাবা মফম খঙনদ্রিবনি। কায়নথংদা মীতৈদগী তমখিবনি।

য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মীতৈ হায়বসিনা ঈশিং মপান্দা তাখি। ঈশিং মপান্দা তারিবা মীদুনা মোৎনা লৈবা হৌনদে। ঈশিংগী হঙোইতসু মশাদা উফুল পক্তে। মীতৈবু হৌজিক্কী মতমদা লৈরিবা চীংমীশিংনা লৈবগুম্না লৈরম্মী হায়দুনা ইবুঙোসিং করিসু ইকায়বীগনু। ইকায়ফম করিসু লৈতে। ইংরাজিনা ইবা ভুমণ্ডুলগী ইতিহাস পুয়াদা ময়াংগী মপা-মপু পূম্নমকসু মফি মরোল লৈরমদে। ময়ূম মকৈ লৈরমদে, থোং থাক্তুনা চাবা হৈরমদে। লাইরিক লাইশু করি অমত্তা লৈরমদে হায়না হৌজিক ফাওবা ইংরাজি মরোলনা ইবা পুৱারীদা মৈরা ফবা মৈবুনগুম্না লৈরি। মখোয়সু অদু নৎত্রবদি সংস্কৃতনা ইরিবা লাইরিক্তা হৌজিক ফাওবসিদা 'গো মেধ', 'অশ্বমেধ', 'গোঘ্ন' হায়বা ময়েকসি ফংলোইদবনি। বেদ, শাস্ত্র, পুরানগী ৱারী পূম্নমকসি মীতৈ ঐখোয়গী হৌজিক্কী মতমদা ঈশৈ ওইনা, ৱারী ওইনা হৌজিক ফাওবা মথং মথং ওইনা চৎনরকই। অসিগুম্বা ময়াংগীসু লৈরম্মীবনি। শাগী লানগীদা য়াওরুদবা খূৎপুনা পুথোকখিবা লেংথোকখিবা ময়েক মশোনমক্তনি। লাইরিক ছাপা তৌখিবসিদি ঙরাংতনি। ছাপা তৌদ্রিঙৈ মতমদদি উকু-ৱাকুদা মফম মফান খঙদবা ময়েক্লা ইরম্মীবনি। মতমগী ঈরাংগী মতুংইন্না অৱাৎপা ফোৎনরকপদগী পূম্নমকসি থোরকইবনি। অৱাৎপা তঙাইফদবা হায়বসিদগী অনৌ অনৌবা পোৎপু শেম্নখি, পুথোকখি। অসি পূম্নমক উদুনা লৌশিং ফবা ইবুঙোসিংনা মপু ইবুঙোগী তেংবানবসিদা লৈতবা পোৎ লৈখিদ্রে হায়না খঙনখি। মরমসিদগী লৌশিং শিংবা ইবুঙোসিংনা তাইবঙ মীনা তৌরগে হায়বদা ঙমদবগী মথৌ লৈতে হায়নখি। অনৌ অনৌবা পুথোকপসিদা মীতৈনা শোৎথহৌবদি - চীংমী ময়ামগী মরক্তা মীতৈ লৈবাক খজিক্তংদা মীতৈনা লৈবা মরম্না শাগী লানগী থবক্লা অহাংবা ফংদবা মরম্না অনৌবা পুথোকপগী খল্লুবা ঙম্লুদবননি। মপু ইবুঙোগী তেংবানবদা ওইখিবা, ওইরিবা, ওইরক্কদৌরিবা পূম্নমকসিগী মথং মনাওসিবু উদুনা তেংবানবগী লৌশিং শিংবা ইবুঙোসিংনা তেংবানবা তাইবঙ মীনা চৎনরিবা, শোন্নরিবসিদি তাইবঙ মীগী পূক্লিং লাক্লনবা চৈরাক্লি হায়না ৱাখল তৌবীখি।

পূক্লিং চুম্লবদি থবক পূম্নমক্তা ফজনা, নীংথিবা ওই। পূক্লিং চুম্লবদি থৌৱায় নুঙাইবা হৌনৈ। থৌৱায় নুঙাইরবদি তেক্ত-কায়দবা মহে-মশিং হৈবা মচা-মশু ফংজৈ হায়নরিবসিনি। অৱা-অনা লৈতনা, তেক্ত-কায়দনা, শোয় ঙামদনা তাইবঙ পানবদা পাঞ্জরবদি লাইরৈবাক কোনুংদা পানবনি হায়না লাইনিং চেৎপা ইবুঙোসিংনা হায়নরিবনি। মসি পূম্নমকসিবু ৱাখল তানসি, খঙনসি হায়দুনা ইবুঙোসিং পূম্নমকপু ঐনা ঙসি কৌজবনি। ঐবু লৈবাক্লা ইন্থোক্লে, মাংলে, ইশা কন্ননবা মপাং থিরিবনি, ইবুঙোসিং পূম্নমকপুসু ইন্থোকহনগদগী, মাংহনগদগী তৌরিবনি হায়দুনা ৱাখল তৌবীগনু। য়ানীংদবা লৈরবসু হায়বীয়ু। য়াদবা মীবু চৈদুনা-থাংদুনা মথৌৱায়না য়াদবা লম্বীদা চৎহনগদবা কনাসু য়াওদে। কি হায়বদি হায়বীগনু। কিরবদি ননাই ঐ লৈজরিয়ে। মীনদি হন্দকসি ঙখানা ঙারেন হৌবনি হায়দুনা য়াম্না শোন্নবীরি। মখোয়না ৱাখল লানবননি। হন্দক্কীসিদি ঙাখানা ঈরি লাংবনি। মচন শুবা ঈরিনি। তাইবঙ শেম্নবা থবক্লি। কনাগুম্বনা থবক তৌবা হামল্লি হায়বসু য়াওই। কনাসু হারুবা নত্তে। ময়াংশিংদুনা মখোয়গী পুকচাক লম্বী মাঙলবনি হায়দুনা মতোন্দা শোয়রে হায়দুনা মখোয়তনা নিনথোকখিবনি। ময়োন্দি লৌথোকপা ঙমদনা মতোন শোয়দুনা করি তৌজরগনি। উচি ফাদনা মখুন মেন্দুনা করি কানগনি? উফোপ্তুনা চাউনা তাওজবনি। মচি লৈবা উজাওনা লুপ্পা তাওই, পিক্লা উই। কনাগুম্বা ইবুঙোসিংনা চেলা মচিন থীমল্লি হায়বী। মখোয়না মচিন থীরম্লবসু মীতৈগী মপা-মপু পোকপবু চৈরমগনি হায়বা নিংজদে। ময়াংনা উশিৎ থৌওইদনা তৌবা মরমদগী ময়াংবু চৈবা ওইরমগনি। অদুবুদি, শৌগায়বা অমা য়াওদনদি ফৌ মরা মুনবা হৌনদে। শৌদোকহন্দনদি সনা শাবা য়াগদবা লৈতে। ননাইশিংদুনা তৌরিবদো থৌরম পাঙননবনি। হন্দক্কী মরমসিদা মীতৈ ইবুঙোসিংনা, অপোকপা লাইগী মরীদা কপচরিবা মীতৈ মরুপ্পু শোয়নাইবিরবদি, মতোমতগী মশাবু শোয়নাইবনি হায়না ৱাখল তৌজৈ। মরুপ ইবুঙোসিং, মুন্না ৱাখল তৌবীয়ু। ●

(মখা চথ্থজরকখিগনি)

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩১গী ৱাহং

১) "দিমান্দ লেটর" হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি করম্বা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "মানা লৈরিবা মফম অদুগী অচিকপদু থুগাইদুনা চঙশিল্লক্লিবা মতৌ অদু রাজুনা ওক্লম্মী।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবনি। ট্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) "মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা তাঙনা ফংবা সাহিত্যগী মচল অমা হায়বা তারবদি লিটরেরি ক্রিটিসিজমনি হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি নীংদে।"

ৱাহৈ পরেং অসি ক্রিটিসিজমগী লাইরিক অমদা অইবা অসিগী পূক্লিং ৱা হায়বদুদা ফোঙদোকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) "ঐগী পীক্লবা আশাগী পান্দোং
ঐগী চম্লবা আশাগী লৈয়োন
য়েন্নৌ য়েন্নিং হুন্দবা কুইরে
পূক্লিং বসন্ত লাক্তবা কুইরে।"
লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা কনানো? করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৫) "আয়ুশনা মাগী ছাইকল রেলী অদু ইন্থোক্লক্তুনা মমান্নবা রোজেনখোয়দা কোয়রুগদবগী থোক্লক্লি।"

ৱাহৈ পরেং অসি উপন্যাসকী লাইরিক অমগী অহানবা শরুক্তগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# করিগীদমক ফেব্রুৱারী ১২, ২০২৬তা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরিবনো-২

- সোতিনকুমারু -

মোদি লৈঙাক্লা ইনাকখুনবশিংদগী হেন্না টেক্স লৌদুনা অমদি পব্লিক ইনভেষ্টমেন্ট চাওথোকহন্দুনা থবক জেনরেট তৌবা ঙম্নবা অমসুং মীয়ামগী খুৎশুমল হেনগৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা ওন্ন তৈনবা ঙাক্তা পুথোরকখি। য়ুনিয়ন বডজেট অসিনা প্রাইভেট ইনভেষ্টমেন্টপু হেন্না শৌগৎতুনা ইনাকখুনবা মীওইশিংদা লন থুম হেন্না চঙনবা লম্বী শেম্লি। চহী অমদা লুপা লাখ ১২ ফাওবা ইনকম লাকপা মীওইশিংদগী ইনকম টেক্স লৌররোই হায়না লাউথোকখিবনা মীওই কয়াদা খুদোংচাবা ওইহনখ্রবসু পোৎ চৈগী মমল ৱাংখৎপা অমদি ইন্দাইরেক্ট টেক্স কয়ানা অৱাবা মায়োক্লহল্লিবা নোংমগী খুৎশুমল তান্দুনা চাজরিবা মীওইশিংগী ওইনদি বডজেট অসিনা করিসু কান্নবা ফংলোই। মসিনা মরম ওইরগা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা বডজেটতা য়াওরিবা মীচম মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা প্রপোজেলশিং অসিগী মায়োক্তা লেপ্লবা খন্নবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন বডজেট অসিদা তোঙান তোঙানবা প্রপোজেল কয়া হাপচিনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরি। দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা - লৈবাক অসিদা লৈরিবা বিল্লিনিয়র ২০০ অসিদা চাদা ৪ গী ৱেল্থ টেক্স থিহনবা, কোর্পোরেট টেক্স হেনগৎহনবা, মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ (এম এস পি) গী লিগেল গরেন্টি পীবা, এগ্রিকলচরেল মার্কেটিংগী দ্রাফট নেশনল পোলিসি ফ্রেমৱার্ক হন্দোকপা, পব্লিক সেক্টর য়ুনিটশিংবু প্রাইভেটাইজেসন তৌবগী থৌওং লেপ্পা, নেশনল মোনিটাইজেসন পাইপলাইনগী খুথাংদা পব্লিক এসেটশিংবু প্রাইভেট সেক্টরদা এফ দি আই চাদা ১০০ থল্লিবা অসি হন্দোকপা, এম জি এন আর ঈ জি এগী এলোকেশন চাদা ৫০ হেনগৎহনবা, অর্বান এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট হৌদোকপা, পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, স্কিম ৱার্করশিং আশা, অঙ্গলৱাদি, মিদ দে মিলবু লৈঙাক্কী কর্ম্মচারী ওইহনবা অমদি ফুদ সবসিদি হেনগৎহনবনচিংবা য়ুনিয়ন গোর্ভনমেন্টকী কোর্পোরেটশিং য়োকখৎপা পোলিসিশিং মীয়াম হুপ্না খঙহন্ননবা অমসুং মীয়ামগী হিংনবগী লম্বেল য়েংবিদবা পূম্নমকসিগী মায়োক্তা ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা লেপ্পা লৈতনা অকনবা প্রোটেষ্ট কয়া তৌদুনা লাক্লি।

মখা তানা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা তাল্লিবা মরু ওইবা ডিমান্দশিংদি -

- অথুবা মতমদা নেশনল হায়ৱেশিংদা ফ্রি মুভমেন্ট য়াহল্লু, অপনবা পীরিবশিং তকথোক্লবা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স খুদক্তা লিংগদবনি।
- মণিপুরগী ৱাথোক অথুবা মতমদা সেন্টরনা ৱারি শানদুনা (পোলিটিকেল সোল্যুসন) য়ানবা পুরক্লবা হোৎনৌ অমদি মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই।
- য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা প্রাইভেটাইজেসন্দা খুৎচাও থাদুনা বেঙ্ক, ইন্সুরেন্স, এল আই সী, পোষ্টেল, বি এস এন এল অমদি এয়রপোর্টনচিংবা প্রাইভেটাইজ তৌননবা হোৎনরিবসি খুদক্তা লেপকদবনি। পাব্লিক সেক্টর মপাঙ্গল কনখৎহল্লু।
- ওল্ড পেন্সিন স্কিম চৎনহল্লু, ন্যু এজ্যুকেসন পোলিসি হন্দোকউ।
- শিন্মীশিংগী খুৎশুমল থা অমদা লুপা লিশিং ২৬ পীগদবনি।
- লেবর লো কোদ ৪দা পুনশিনবা য়ারোই।
- এম জি এন আর ঈ জি এ মহুৎ শিন্দোকপা অমদি মাঙহন্নবা শিনবা য়ারোই।

শিন্মীশিংগী অপুনবা শক্তম শাগৎলসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।